# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-09-2025)**

**এম্ন্যুস (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল শম্বল লৈকাই মপাদা ঙরাং শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা এম্ন্যুস তৌরকপদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মীওই অনি শিখিবা, মঙানা শোকখিবগী থৌদোক অদুবু রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা রাজ্যপালনা হায়-মথৌ পাঙথোক্লিকৈঙৈদা লৈখিদ্রবা পার্সোনেলশিং অদুগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি। মখোয়না লৈবাক্কীদমক থৌনা ফনা মথ্বায় কৎথোকখিবা অদুগীদমক মখোয়গী মফমদা তৌবীমল খঙবা উৎলি হায়নসু রাজ্যপালনা ফোংদোক্লি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা পার্সোনেলশিংগী ফিভম অথুবা মতমদা ফরকপা ওইরসনু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা রাজ্যপালনা থৌনিজখি। তমথিবা হিংশাগী থবক চথবনা লমদম অসিগী শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনরিবা অসি থুগায়রিবশিংগী মথক্তা সরকারনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরোই। চেন্নবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়না রাজ্যপালনা ফোংদোকখি।

থৌদোক অদুবু হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা কন্না নিন্দা তৌরি। থৌদোক অদুদা শোক্তুনা রিমসকী কেজ্‌য়েলিতিদা লায়েংলিবা পার্সোনেলশিংগী ফিভম হকথেংননা য়েংশিনবা চৎপদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা শ্রী বিরেননা হায়-মনিপুরগী লুরবা তানফম অসিদা অসিগুম্বা থৌদোক অমা থোকপা হায়বসি লাইবক থিবনি। লৈখিদ্রবা পার্সোনেলশিং অদুগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়রদুনা শোক্লবশিংনা অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়রি।

বিষ্ণুপুর কেন্দ্রগী এম.এল.এ. গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল অনি থৱায় থাখিবা, মঙানা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোক অদুবু পাংদবগী থৌওংনি হায়রদুনা মসি অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী গোবিন্দাসনা হায়- মনিপুরগী হৌজিক চরাংনবা ফিভম অমা লৈরিঙৈদা অসিগুম্বা থৌদোক অসিনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবদা থিন্থহল্লগনি। মখোয়গী থৌওং অসিনা অসিগুম্বা থুগায়নবা হোৎনরকপা অসি কৈদৌনুংদসু মায় পাক্লোই। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা শোক্লবশিং অথুবা মতমদা ফবা ওইরসনু হায়রি।

এম.এল.এ. আর.কে. ইমো সিংহনসু থৌদোক অদুবু নুংঙাইতবা ফোংদোকপগা লোয়ননা মদুদা চেন্নবা মীওইশিং আইনগী মতুং ইন্না থবক পায়খৎকদবনি হায়রি। খুৎ থোকবগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা মখোয়গী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা পার্সোনেল অনি অদু অমনা নেপালদগীনি অমনা ছাতিসগরদগীনি হায়রি। থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা মফম অদুদা আই.জি.এ.আর. (সাউথ) য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অহেনবা কাংবু চংশিনদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং ফানবগীদমক মফম অদুগী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক অথেংবা ফাওবা চথখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখরি। ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লফুপাৎতেরা হিয়াংখোঙদগী কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) গী হকচিনবা মীওই অমা ফাখি। মঙোন্দগী পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, মেগজিন অমা ফংলে।

মনিপুর পুলিসনা সেনাপতি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খোংনেম থানা খুলদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা মীওই অমা ফারে। মঙোন্দগী সাপোন কেপ ৩৭ তা হাপ্লম্বা ব্রাউন্দ সুগর গ্রাম ৪৫০, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফাবা ঙমলে। মনিপুর পুলিসনা গাড়ি নিয়ম লান্না থৌবশিং ফাবগী থবক লেপ্তুনা চখরি। ঙরাং মীওই ২৬ ফাবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৪৬ কী চলান ককখি।

**নোং (এল)ঃ** মনিপুরদা চেল্লিবা মরুওইবা তুরেলশিংগী ইমায় হন্থখ্রবসু মফম কয়াদা হৌজিক ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরি।

ঈচাও অদুনা ঙাগী ফার্ম কয়ামরুম, লৌ-ইঙ্খোল অমসুং য়ুম কয়া ঈশিং থুমজিনদুনা মাঙ তাকহনখি। ফৌ শাৎলমদাই মতমদা ঈশিং থুমজিনখিবা অসিনা লৌমীশিং মকোক্তা খুৎ হাপরে।

**লমজেল (এল)ঃ** মনিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইতি (মেক্স) না য়ুমথোং খুদিংদা ঐচ.আই.ভি.-এইদস অমসুং এস.টি.আইগী মতাংদা মীয়ামবু মমুৎ তানা খঙহন্নবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা লাকপগী লোয়শিনবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ুক কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী রেড রন লমজেল লমথাখি। লমথাবগী থৌরম অদুদা মেক্সকী প্রোজেক্ট দাইরেক্তর-সামিন অহমদ সাহ, জোইন্ট সেক্রেটরি হেলথ সাভির্সেস-ডা: হাওরুংবম তেরেসানচিংবা শরুক য়াখি। কিলোমিটর ১০ শাংবা লমজেল অসি শওম্বুংদা লৈবা বিরমঙ্গোল কলেজতা লমথুংফম ওইগনি।

**কেম্পেইন ঃ** কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়না ওফিসশিংদা লু-নানবগী চৎনবী থমবা পান্দমদা অখন্নবা কেম্পেইন ফাইব পোইন্ট জিরো হৌদোক্লগনি। থাবুম অমা চথুগদবা কেম্পেইন অসি মথং থাগী অনিদগী হৌরগনি।

অহানবগী তাঙ্কক্তা মেদিয়া য়ুনিটশিং অমসুং মেন সেক্রেটরিয়েটশিংনা মফমশিং খঙদোক্তুনা লু-নানবগী থবক পায়খৎনবা খঙহল্লি। ওফিসশিংদা রেকোর্ডশিং নিতি নিয়ম নাইনা থম্বা, কান্নদ্রবা পোৎলমশিং লংথোকপা অমদি ওফিসশিং ফজহনবগী থবক্তা অহেনবা মীৎয়েং চংগনি। অখন্নবা কেম্পেইন অসি ইং ২০২১ দা হৌদোকখিবনি। ইং ২০২২ দগী ২০২৪ ফাওবদা শিজিন্নবা য়াদ্রবা পোৎলম কিলোগ্রাম লাখ ১০ হুন্দোকখি। অখন্নবা কেম্পেইন টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা চহি অসিগী আগষ্ট ফাওবদা আউটদোর কেম্পেইন লিশিং ৫ রোম পাঙথোক্তুনা মফম লিশিং ১২,৬০০ রোমদা শিৎ শেংবগী থবক চথুখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, ঙসি গুজরাটতা চৎতুনা সমুদ্র সে সমরিধি থৌরমদা শরুক য়াগনি। রাজ্য অদুগী ভাবনগরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ৩৪,২০০ রোম চংনা পায়খৎকদবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং উরেপ উয়ুং তমগনি। থৌরম অদুদা তিল্লিবা মীয়ামদসু প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি নুংথিল লোথালদা লৈবা নেসনেল মেরিটাইম হেরিটেজ কমপ্লেক্সতা চৎতুনা মদুদা পাঙথোকপা মীফমদা শরুক য়াগনি। প্রধান মন্ত্রিনা মেরিটাইম সেক্তরগা মরী লৈনবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা যাত্রা হুনগনি। প্রোজেক্টশিং অসি লুপা কোতি লিশিং ৭,৮৭০ চংনা পায়খৎকদবনি।

প্রধান মন্ত্রিনা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা পায়খৎপা লুপা কোতি লিশিং ২৬,৩৫৪ রোমগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাগনি, খরগীনা

উরেপ উয়ুং তমগনি।

**জিএসটিঃ** অনৌবা মখলগী জি.এস.টি. লৈবাক শিনবা থুংবদা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী চৎনরগনি।

শিংথানিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমদা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা শেল থুমগী পোৎলুম হন্থহন্নবা টেক্স লৌবগী চাং লায়থোকহনবতা নত্তনা জি.এস.টিদা অওনবা পুরকখ্রে।

কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা সভাপতি ওইদুনা জি.এস.টি. কাউন্সিলগী থা অসিগী অহুমদা ফমখিবা ৫৬ শুবা মীফমদা অনৌবা মখলগী জি.এস.টি. চৎননবা ৱারেপ লৌখি। মসিনা ওটোমোবাইল সেক্তর য়াওনা টেক্স হন্থহন্দুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পীগনি। সরকারনা মোটোর কার অমসুং মোটোর বাইকশিং শাবদা শিজিন্নগদবা পোৎলমশিংদা লৌরম্বা জি.এস.টি. চাদা ২৮ দগী ১৮ দা হন্থখি। মী তরা ফাওবা তোংবা বসশিংদা লৌরম্বা জি.এস.টিগী চাং চাদা ২৮ দগী ১৮ দা হন্থরকপা অসিনা মীয়ামনা গাড়ি তোংবগী ভারা হন্থহনবদা মতেং ওইবতা নত্তনা গাড়িদা মী য়ামা নমশিনদুনা তোংবগী চাংসু হন্থহনবা ঙম্লগনি।

**ত্রিপুরাঃ** ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি-মনিক সাহনা হায়রি-বি.জে.পি. সরকারনা রাজ্য অদুগী মীপুম খুদিংমক্তা থকবা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা অখন্নবা থৌরাংগা লোয়ননা থবক পায়খৎলি।

মহাকা হায়-থা অসিগী ১৫ ফাওবদা রাজ্য অদুগী ইমুং লাখ তরুক লিশিং ৪৬,৭৫৮ রোমদা থকবা ঈশিং ফংহনখ্রে। রাজ্য বিধান সভাগী অহানবা নুমিৎতা পুখৎলকখিবা প্রাইবেট মেম্বর রিজোলুসনদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা শ্রী সাহনা হায়-ইং ২০১৯ গী আগষ্ট ১৫ দা প্রধান মন্ত্রিনা হৌদোকখিবা জল জিবন মীসননা ত্রিপুরাদা অওনবা পুরকপা ঙমলে। রাজ্যগী ড্রিঙ্কিং ৱাটর অমসুং

সেনিটেসন বিভাগনা অখন্নবা থৌরাং অমগী মখাদা চিং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা পাইপকী খুথাংদা ঈশিং ফংহন্নবা থবক পায়খৎলি। মহাকা হায়-হান্নদি চাদা ৩ রোমতমক থকবা ঈশিংগী টোতিগী ঈশিং ফংহল্লম্বদগী হৌজিক্তি চাদা ৮৬.১৪ য়ৌবা ঙমলে।

**ক্রিকেটঃ** য়ু.এ.ইগী অবুদাবীদা চথরিবা এসিয়া কপ ক্রিকেটকী মেটচ অমদা ঙরাং ভারতনা ওমানবু রন-২১ দা থোইখি।

হান্না বেটিং তৌখিবা ভারতনা অপিবা ওভরদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন-১৮৮ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা ওমাননা অপিবা ওভর ২০ দা ৱিকেট মরি তুরগা রন-১৬৭ লৌখি।

সুপর ফোরগী মেটচ অমদা ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দা শ্রীলঙ্কাগা বঙ্গলাদেসকা শান্নগনি। হয়েংনা ভারতকা পাকিস্তানগা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শকখঙদবশিংনা এন্সুস তৌরকপদগী অসাম রাইফলসকী অনি শিখিবা, মঙানা শোকহনখিবা, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা উ য়ান্থৎলম্বগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎলগনি হায়বা পাউনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-নম্বোল শাবল লৈকাইদা এন্সুস তৌরক্তুনা এ.আরগী পার্সোনেল অনি হাৎখ্রে, মঙানা লায়কন্নরি হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি-সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, মোরনিং বেল, পিপলস ক্রোনিকল, তমেংলোং টাইমস অমসুং গানফিয়ু মেলদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

এক পের মা কে নাম কেম্পেইন চথরিঙৈদা পাউনা কৈথেলদা মপুং

ফারবা উ পান্বী তরেৎ য়াম্থৎলম্লে-ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা এক্সকাবেতর অনি ফাজিনখ্রে হায়না পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দামগী গেট মরি অমুক্তদা হাংদোকপদগী খুৎশেমগী ঈচাও থোকহনবনি, দিপার্টমেন্টেল নেগ্লিজেন্সনি, তেকচাম পুন্বা পুগদবনি হায়বা এম.এল.এ. মেঘাচন্দ্রনা ফোংদোকখিবা সনা লৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মালেমগী থাক্তা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকবা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মোরনিং বেলদা-জিরিবাম-ইম্ফাল রেলৱে লাইন লোয়শিন্নবা অকনবা মওংদা থবক পায়খৎলি হায়না পাউ অমা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সেনাপতি জিলাদা মোদেল রুরেল হেলথ রিছার্স য়ুনিট অমা থম্বীনবা দিষ্ট্রিক্ট ফ্রন্টিয়ার ওর্গনাইজেসনশিংনা প্রস্তাব তৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।